# ইন্দিয়া, ইরাননা য়ানচে ৯ সাইন তৌনখ্রে

## সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ইন্দিয়াসু ভিটো রাইট পীগদবনি : হাসন রৌহানি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭: প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিগা উনদুনা সিক্যুরিটি, ট্রেদ অমদি এনর্জিগী মতাংদা মতেং পাংননবা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা য়ানচে ৯ সাইন তৌনখ্রে। এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন রবিশ কুমারনা হায়খি, লূচিংবা অনীনা ট্রেদ এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট, এনর্জি, কনেক্টিভিটি, ডিফেন্স এন্দ সিক্যুরিটি অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়াদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

রৌহানিগা লোয়ননা পাঙথোক-খিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, হীরম কয়াদা লৈবাক অনীনা মতেং পাংননবা থৌরাং লৌখৎলি হায়বা ইরানিয়ন প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে।

পাউগী মীফম অদুদা রৌহানিনা হায়খি, মালেমগী লৈমায়দগী টেররিজম অমসুং এক্সট্রিমিজম মরূ ফংনা মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিদসু ইন্দিয়া অমদি ইরাননা মতেং পাংনবগা লোয়ননা টেররিজম মায়থীবা পীনবা হোৎনগনি।

নাকল অনীনা দবল টেক্সেসনগী মতাংদা য়ানচে সাইন তৌনখিবগা লোয়ননা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি শেমদোক্তুনা ভিজা পীবগী থবক থৌরম লায়থোকহন্নবগী মতাংদসু য়ানবা পুরকখি। মমাঙদা রৌহানিবু রাষ্ট্রপতি ভবনদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। অয়ুক অঙনবদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বারাজনা রৌহানিগা উনদুনা মরুওইবা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখি।

অমরোমদা, ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা ইন্দিয়াবু ভিটো রাইট ফংহনগদবনি। অপূনবা মীশিং বিলিয়ন অমা হেন্না লৈবা ইন্দিয়াদা ভিটো রাইট পীদ্রগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা খুদোংচাবা অসি করি মরমগী ফংহল্লিবনো হায়নসু মহাক্না হংখি। ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পায়বা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মতিক-ময়াই লৈবা মঙাখক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ভিটো রাইট পীবগী থৌওংবুসু ইরানগী লূচিংবা অদুনা অক্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়া নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরিবা ইন্দিয়াবু মালেম্না ইং-তপ্না পুরক্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌহনগদবনি। ইন্দিয়া অমদি ইরানগী মরক্তা মান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়না পল্লদুনা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হায়খি, শুপ্নগী লল্লোন-ইতিক্কী ওইবা মরী থম্নবা খক নত্তনা অরিবা মতমদগী লৈবাক অনীনা হীরম কয়াদা অচেৎপা মরী থম্নদুনা লাকখি। অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগা ইরান অমদি ইন্দিয়াগী মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহল্লগনি। চহী ১০ গী মতুংদা ইরানগী প্রসিদেন্টনা ইন্দিয়াগী খোঙচৎতা লাকপা থৌওং অসিগী মতুং তারকপদা লৈবাক অনীনা হীরম কয়াদা পূন্না থবক থৌরম কয়া লৌখৎমিন্নরগনি।

কুমজা ২০১৬ তা মোদিনা ইরানদা চৎলুবা মতমদা লৈবাক অনীগী মরক্তা তোঙান-তোঙানবা য়ানচে কয়ামরুম সাইন তৌনখিবনি। মরুওইনা মোদি, রৌহানি অমসুং অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিগী মমাঙদা ইন্দিয়া, ইরান অমসুং অফঘানিষ্টানগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরশিংনা ট্রাইলেটরেল ট্রাঞ্জিট এগ্রীমেন্ট (চাবহার এগ্রীমেন্ট) সাইন তৌনখি। য়ানচে অদুগী মতুং ইন্না খা নোংপোক থংবা ইরানগী চাবহার পোর্টতা ইন্দিয়ানা দোলর মিলিয়ন ৮৫ থাদদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎকদৌরি। লৈবাক অহুমগী ট্রাঞ্জিট রুটতা চাবহার পোর্টনা মরুওইবা মফম কনগদৌরি।

# নুমিৎ ৭ নিগী খোঙচৎতা কেনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর ন্যু দিল্লিদা থুংলখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): নুমিৎ তরেৎনিগী খোঙচৎতা কেনাদিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদো ইন্দিয়াদা থুংলখ্রে। লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা লূচিংবা অসিনা ইন্দিয়াদা থুংলখিবনি হায়না ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইন্দিয়াগী হায় কম্মিস্নর ওইনা কেনাদাদা লৈরিবা বিকাশ স্বরুপনা ফোঙদোকখি।

ট্রুদোনা ঙরাং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা চৎনবগীদমক এরোপ্লেনদা তোংবগী ফোটোগ্রাফ অমা ত্বিটরদা থাগৎলকখি। ফোরেন মিনিষ্টর খৃষ্টিয়া ফ্রীলেন্দ, সাইন্স এন্দ ইকনমিক ডিভলপমেন্ট মিনিষ্টর নবদিপ বেঞ্চ, ডিফেন্স মিনিষ্টর হরজিৎ সিংহ সাজন, সাইন্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কর্ষ্টি দনকেন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিনিষ্টর অমর্জিৎ সোহি য়াওনা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়াসু ট্রুদোগী খোঙচৎতা লোয়নরকখি।

মশাগী লোয়নবী অমসুং মচা অহুমগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রবা কেনাদিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা হয়েং টাজ মহল য়েংগদৌরি। মথংগী নুমিৎতা মহাক্না অহমেদবাদতা চৎতুনা সবরমতি আশ্রম য়েংগনি। গান্ধী নগরগী অক্সরধাম টেম্পলদা চৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট - অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদসু মহাক্না শরুক য়াগনি হায়রি।

ইন্দিয়া অমদি কেনাদাগী মরক্তা থম্নবা মরী তপ্ন-তপ্না ফগৎলকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক কেনাদিয়ন মিলিয়ন ১.৪ রোম ইন্দিয়াদগী হৌখিবা মীওই ঙাক্তনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# রাজস্থানদা চাকথোং গ্যেসকী সিলিন্দর পোকখায়বদা মীওই ৯ শিরে, ১৮ শোক্লে



জয়পুর, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): রাজস্থানগী অজমির ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বেৱারদা লুহোংফম অমদা চাকথোং গ্যেসকী সিলিন্দর অনী পোকখায়রকপদা মীওই মাপন শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৮ অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি, অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই নিপাল অজমিরগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি অমসুং অতোপ্পা ১২ না বেৱার ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

সুরেন্দ্র কুমার পরেচা কৌবা মীওই অমনা কুমাবত সমাজ ভবনদা মচানুপাগী লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। লুহোংবগী থৌরম য়াওবা লাকপা মীওইশিং মথোল অনী ৱাংবা য়ূম অমদা লৈখি। ইখঙ-খঙহৌদনা অহৌবা মখোল অমগা লোয়ননা চাকথোং গ্যেসকী সিলিন্দর অনী পোকখায়রকপদা বিল্ডিং অদু মৈনা তুম্না চাকখি। থোং-থাকপগী থবক তৌরিবা মীওই অমনা গ্যেস লোইথোকখিবদগী অথনবা এল পি জি সিলিন্দর অমা শিন্দোক্লবা হোৎনরুবদা শোয়বদগী খঙহৌদনা পোকখায়রকপগা লোয়ননা মৈ চাকখৎলকখিবনি হায়না উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি। হৌজিকসু থৌদোক থোকফমদা মখা তনা থিব-হুন্দ্বগী থবক চথরিবা মরম্না অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর বসুন্ধরা রাজেনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়া, চাইনাগী মরক্তা অফবা মরী থম্নরি : রাজনাথ সিংহ

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়া অমসং চাইনাগী মরক্তা অফবা মরী থম্নরি। করিগুম্বা নুংঙাইনদবা মতাং য়াওরক্লবসু নাকল অনী ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্নবগী থৌওং চথরি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা নাকল অনীমক্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। পাকিস্তাননা ইন্দষ্ট্রিয়েল এন্দ কম্মর্সিয়ল বেঙ্ক ওফ চাইনা (আই সী বি সী) দগী দোলর মিলিয়ন ৫০০ লোন ওইনা লৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবগা মপা চান্ননা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

বরেলিগী খোঙচৎতা লৈরিবা রাজনাথ সিংহনা হায়খি মদুদি হৌজিকসু ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরীদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈত্রি। করিগুম্বা ঙমখৈগী মতাংদা য়ানদবা থোরক্লবসু নাকল অনী ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনরি।



ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরী ফনা লৈরি হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা তারবসু য়াম্লবা শেনফম অমা চাইনানা পাকিস্তানদা পীবগী ৱাফম লাক্লবনিনা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা শোয়দনা লাক্লগনি হায়না হীরম অসিদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা পাকিস্তানি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি কুমজা ২০১৭-১৮ দা পাকিস্তাননা দোলর বিলিয়ন অমা চাইনাদগী লোন লৌনবা পান্দম থমখি। শেনফম অদুমক য়ৌদবা তারবসু হীরম কয়াদা চাইনানা পাকিস্তানগী মতেং পাংদুনা লাকখিবগা লোয়ননা দোলর মিলিয়ন ৫০০ লোন পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

অমরোমদা রাজনাথ সিংহনা টেররিজমগী কেস কয়াদা চেন্নবা অরিজ খান ফাখিবা দিল্লি পুলিসকী থৌওংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। দিল্লি পুলিসকী ৭১ শুবা রেজিং ডে পেরেদতা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা দিল্লি পুলিস মার্টর্স ফন্দদা লুপা ক্রোর ৫ পীরগনি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরীদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে হায়না রাজনাথনা ফোঙদোকখ্রবসু হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অরুনাচল প্রদেশতা চৎখিবগী মতাংদা বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ানা হায়খি, অরুনাচল প্রদেশতা ইন্দিয়াগী লূচিংবা অমনা চৎনিংবা মতমদা চৎপদা অকায়বা লৈতে।

# ত্রিপুরাদা ঙসি ভোট থাদনরগনি ; লৈঙাক পায়রকপা চহী ২৫ শুরবা লেফট ফ্রন্টনা বি জে পিগা অকনবা লম্বা পাগদৌরি

অগরটলা, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারগী লেফট ফ্রন্টনা শাংলবা চহী ২৫ লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা ত্রিপুরাদা হয়েং মীয়াম্না ভোট থাদনরগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা লেফট ফ্রন্টনা অমুক্কসু হন্না মায় পাক্নবা পান্দম থম্বা তারবসু ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গা লম্বা পাবদা অৱাবা মায়োক্নগদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক লাক্তুনা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা মীখলগা মরী লৈনবা মীফম মরিদা ৱা ঙাঙখিবা মরম্না বি জে পিগী মপাঙ্গল তপ্ন-তপ্না কনখৎলকপদগী হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা লেফট ফ্রন্টনা হান্নগী মতৌগুম তরাই-তরাই মায় পাকপা ঙমদবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট) গী লূচিংবা অমা ওইনা ত্রিপুরাদা মঙারকশুবা টার্মগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা থৌরাং লৌখৎলিবা মনিক সরকারনা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিবা মীফম ৫০ রোমদা ৱা ঙাঙখি। মীখলগী থবক থৌরম লৌখৎপদা সিতারাম য়েচুরি অমসুং বৃন্দা কারটনচিংবা সী পি আই (এম) গী অতৈ লূচিংবা কয়ানা মতেং পাংখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি কেম্পেনগী অরোইবা নুমিৎতা কেপিটেল সিটি অগরটলাদগী কিলোমিটর ১৮০ লাপ্পা উনাকোটি ডিষ্ট্রিক্টকী কাইলাসহরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ত্রিপুরা এসেমব্লিগী মীখলদা পূন্না মীরেপ ৩০৭ না লম্বা পানগদৌরি। অপূনবা সীট ৬০ গী মনুংদা এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সি ৫৯ দা হয়েং মীখল পাঙথোক্কনি।

সী পি আই (এম) গী মীরেপ রমেন্দ্র নরায়ন দেব বর্মা লৈখিদবা মরম্না চারিলম এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সিগী মীখলদি মার্চ ১২ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা মতম লেপখি। মীখল অসিদা সী পি আই (এম) না এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সি ৫৭ তা মীরেপ থাদোকপগা লোয়ননা আর এস পি, ফোরৱার্দ ব্লোক অমদি সী পি আইগী মীরেপ অমমম থাদোক্লি।

ইন্দিজিনস পীপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) গা এলাইন্স শেমখ্রবা বি জে পিনা মীখল অসিদা মীরেপ ৫১ থাদোক্লি। লেমহৌরিবা সীট ৯ দনা আই পি এফ টিগী মীরেপ থাদোক্লি। হন্দক্তি ত্রিপুরাগী মীখলদা কোংগ্রেসনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নদ্রে। পার্টি অসিনা এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সি ৫৯ দা মীরেপ থাদোক্লি। গোমতি ডিষ্ট্রিক্টকী কক্রাবোন কনষ্টিটুয়েন্সিদা পার্টি অসিগী মীরেপ থাদোকখি।

ষ্টেট অসিগী অপূনবা ভোটর লাখ ২৫ গী মনুংদা নুপা ভোটর লাখ ১৩ নি অমসুং নুপী ভোটরনা লাখ ১২ নি। মীখল অসিদা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ভোট থাদগদবা মীওই ৪৭,৮০৩ য়াওরি হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখি।

ইলেক্সন ওফিসকী ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩,২১৪ দা ভোট থাদনগনি।

ত্রিপুরাগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) শ্রীরাম তরানিকান্তিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) কী ডিরেক্টর জেনরেল আর কে পচন্দবু স্পেসল ওবজর্ভর ওইনা হাপ্তুনা ষ্টেট অসিদা শীজিন্নরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী থবক থৌওং পূম্নমক য়েংশিনহল্লগনি হায়রি। বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না কিলোমিটর ৮৫৬ শাংবা বাংলাদেশকা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক চেকশিন্না ঙাক শেনবগা লোয়ননা ত্রিপুরাগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা সেন্ট্রেল আর্ম ফোর্সেসকী কম্পনি ৩০০ শীজিন্নরি।

# পি এন বি কেস : চেন্নবা মীওই অহুম ফারগা মার্চ ৩ ফাওবা সী বি আইগী কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে

মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) দগী অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ১১,৪০০ লৌথোকখিবগী মতাংদা ফাখিবা মীওই অহুম মার্চ ৩ ফাওবা সী বি আইগী কষ্টদিদা থম্নবা মুম্বাইগী স্পেসল কোর্ট অমনা খঙহনখ্রে

রিমান্দ পীবীনবা এপ্লিকেসন থাঙ্গৎলদুনা সী বি আইনা মুম্বাইগী স্পেসল কোর্টতা হায়খিবনি মদুদি বেঙ্কনা শুপ্নগী লুপা ক্রোর ২৮০ খক অরানবা মওংদা লৌথোকখিবগী ৱাফম রিপোর্ট তৌরকপা তারবসু তশেংবদি লুপা ক্রোর ৬০০০ হেন্না নমথাক তৌরগা লৌথোক্লম্বা থেংনরে।

জন্যুৱারি ৩১ দা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অমগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক পি এন বিগী ডেপ্যুটি মেনেজর (থবক্তগী পোথাখ্রবা) গোকুলনাথ সেতি, মনোজ খরাত অমদি নিরাব মোদি গ্রুপ ওফ ফর্মসকী ওথোরাইজ সিগনেটরি হেমন্ত ভাত ফাখিবনি। সী বি আইনা ঙরাং ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা গীতাঞ্জলি গ্রুপকী প্রমোটর মেহুল চোকসিগী মথক্তা নৌনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

কম্পনি অহুম - গীতাঞ্জলি জেমস, নক্ষত্র অমদি গিলিদা কুমজা ২০১৭ তগী ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা অরানবা মওংদা লুপা ক্রোর ৪,৮৮৬ পীথোক্লম্বগা মরী লৈননা সী বি আইগী অনৌবা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবনি।

এফ আই আর ফাইল তৌরবা মতুংদা সী বি আইনা গীতাঞ্জলি গ্রুপকী ইন্দিয়াদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফম ১৮ দা থিব-হুন্দ্বগী থবক চথখি। মুম্বাইগী স্পেসল কোর্টতা সী বি আইগী প্রোসিক্যুটরনা হায়খি মদুদি মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা ৱাথোক অসিদা মপূং ওইনা চেন্নবা মীওইশিং ফাবা ঙম্নবগীদমক মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অহুম মখা তানা সী বি আইগী কষ্টদিদা থম্বা মথৌ তাই।

তোঙান-তোঙানবা মীওই খরদা কাংলোন কায়না শেল পীথোক্লম্বগী থৌওং থেংনবা মরম্না ৱাথোক অসিদা বেঙ্ককী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু চেন্নরম্বা য়াই হায়না সী বি আইনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইরাই নুমিৎতা সী বি আইনা নিরাব মোদিগী মখুরা অমসুং বিজনেস পার্টনর মেহুল চোকসিগী গীতাঞ্জলি গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী মথক্তা নৌনা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখিবনি।

লুপা ক্রোর ১১,৩০০ গী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক স্কেমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী মরক্তা মখা তানা ৱাহৈগী লান শোক্নদুনা লাকখিবনি। পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতা থোক্লিবা ৱাথোক অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা বেঙ্ক লুট তৌবগী ৱাথোকনি হায়না লৌবা য়াই। মীকুপ খূদিংগী ৱাথোক অসিদা লৌতুনবা য়াওখিবা মীওই কয়া মথং মথং খঙনরকপা মরম্না মতিক-ময়াই লৈরবা মীওই কয়াসু য়াম্লবা শেনফম অমা লোন্না লৌথোক্লম্বগী ৱাথোক অসিদা চেন্নরম্বা য়ানা লৈ হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা লৈঙাক্লা অরানবা অমত্তা তৌহল্লোই হায়না কয়ারক হন্না ৱাশকপা লৈখ্রবসু পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী ৱাথোক্তা চেন্নবা মীওইশিং মথং মথং লৈবাক অসিদগী চেনখিবগী ফিভমদা লৈরে হায়না কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক খূদিংমক্তা মখল মরি থোক্লা ওদিট তৌখিবা তারবসু মতৌ করম্না পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতা থোকখিবা ৱাথোক অসি মতম চানা খঙবা ঙমহৌদ্রিবনো হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ৱাথোক অসি কনাগুম্বা মতিক-ময়াই লৈবা মীওই কাঙবু অমনা কনখৎতুনা থম্বগী মমি উবা ফংলে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিস (পি এম ও) য়াওনা সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এ লৈঙাক্লা থৌদাং লৌফম থোকই হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৬ কী জুলাইদা বিলিয়ন্যের জেৱলরি ডিজাইনর নিরাব মোদিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পি এম ওদা খঙহনখিবা তারবসু মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈখিদে হায়না কোংগ্রেসনা মমাঙদা মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

পি এন বিগী মুম্বাই ব্রাঞ্চতা লুপা ক্রোর ১১,৪০০ অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবগী রিপোর্ট ফংখ্রবা মতুংদা বেঙ্ক অসিগী মেনেজিং ডিরেক্টর অমসুং চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর সুনিল মেহতানা অরানবা তৌরম্বা মীওই অমত্ত লেম্না থারোই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবদা সী বি আইনা কেস অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর অনী ফাইল তৌবা লৈখ্রে।

# জে এন য়ু : এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক থিংখিবা মহৈরোয় অহুমগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৭ (এজেন্সি): জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক থিংজিন্দুনা সিনিয়র ওফিসল অনী অমসুং ষ্টাফ মেম্বরশিং পুং কয়া চুপ্না মপান থোকহনখিদবগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অনীগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে। অরানবা মওংদা রেক্টর অনী - চিন্তামনি মহাপত্র অমসুং রানা প্রতাপ সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক মনুংদগী হেন্দোকহন্দনা থমখিবগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা এফ আই আর অনী ফাইল তৌখিবনি।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়, ওফিসলশিংগী ৱাকৎ মতুং ইন্না বসন্ত কুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অনী রেজিষ্টর তৌরে। এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিস মনাক্তা লম্বী থিংখিবগী মতাংদসু মহৈরোয়শিংগী মথক্তা অতোপ্পা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরে।

অদুম ওইনমক পুলিসনা মহৈরোয় কয়াগী মথক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মরম্না করম-করম্বা মহৈরোয়গী মথক্তা পুলিসকী থবক লৌখৎলকখিবগে হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

তঙাইফদনা মহৈরোয়শিংবু চাদা ৭৫ গী চাংদা ক্লাস য়াওগদবনি হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা ভাইস চাঞ্চেলর এম জগদেশ কুমারগা উনদুনা ৱারী শানখি। জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন



(জে এন য়ু এস য়ু) না লূচিংবা মহৈরোয় চা কয়ানা বিল্ডিংগী গেট ময়াদা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা হ্যুমেন চেন শেমদুনা এদমিনিষ্ট্রেসন ব্লোক থিংজিনখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিং তানখায়নবা পুলিসকী মতেং লৌখি।

য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টাফ খরনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিংনা প্রোফেসর খরা ফাজিন্দুনা থম্লগা লোয়ননা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈ-থাংবগী থৌওং চথখি হায়রি।

ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী লূচিংবা গীতানা পাউমীশিংদা হায়খি, ক্লাস য়াওবগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু খুদক্তা হন্দোকপগা লোয়ননা একাদেমিক কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোক্কদবনি।

অমরোমদা মহৈরোয়শিংনা চথরকখিবা থৌওং অদু লোগী ৱাংমদনি হায়না মরাল শীরদুনা প্রোফেসর খরনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা ধরনা পাঙথোকখি। মহৈরোয়শিংনা প্রোফেসরশিং অদুগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউশিন্দুনা মহৈরোয়শিংবু চাদা ৭৫ গী চাংদা ক্লাস য়াওগদবনি হায়না থোকখিবা নোটিফিকেসন খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।